## এডিটোরিয়েল

# দোমেষ্টিক এল পি জি শীজিন্নবা

অতৈ ষ্টেটশিংগা মান্নদবা মওং অমদা মণিপুরদা দোমেষ্টিক এল পি জি সপ্লাইগী থবক অসি তোঙান তোঙানবা থৌওং কয়াদগী কঞ্জুমরশিংদা চাং নাইনা পীবা ঙমদে। অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা হায়রিবা য়ুমদা শীজিন্নবা কুকিং গ্যাসশিং অসি য়াম্না মরাং কায়না ফংই অমসুং মসিগীদমক বুক্কিং তৌবনচিংবদা লৌরিবা মতম অসি হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদা লৈতে। মণিপুরদদি কনাগুম্বা কঞ্জুমর অমনা রিফিল তৌরবা গ্যাস সিলিন্দরশিং এজেন্সিশিং নৎত্রগা দিষ্ট্রিবুটরশিংদগী লৌরুবা নুমিৎ ২০ নিগী মতুংদা নৌনা বুক্কিং তৌবগী চৎনবী অমসু থম্মী। মসিদগী অমুক কঞ্জুমরশিংনা ৱাকৎলকপদগী রিফিল তৌরবা গ্যাস সিলিন্দরশিং লৌবা য়াবগী নুমিৎ হেক য়ৌবগা মদুগী নোংঙানবদা অমুক গ্যাস বুক তৌবা য়াগনি হায়বগী চাউরাকপা চৎনবী অমা অমুক শেল্লকখি। মদুসু চৎনরিব্রা নৎত্রগা চৎনদ্রিবরা খঙদনা অদুমক লৈরি। মসিদা গ্যাস এজেন্সিশিংনা করি করম্বা থৌশিল অমা লৈরিবগে হায়বদু কঞ্জুমরশিংনা কুপ্না থিজিল্লুবগী ৱাফমদি লৈতে। মসিদগী মণিপুরদা এল পি জি ফংবা অমসুং ফংদবগী পোব্লেম কয়া অমসু অদুমক থোকহল্লকপা য়াবগী মওংদা লৈ। লুরিবদি কঞ্জুমরশিংদা মখোয়না শীজিন্নগদবা গ্যাসশিং বুক্কিং তৌবগী মতাংদা রেষ্ট্রিকসন কয়া অমা থল্লবসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হোটেল কয়াদা য়াম্না লায়না দোমেষ্ট্রিক এল পি জি সিলিন্দরশিং অসি শীজিন্নরি অমসুং মসিদা অথিংবসু লৈতে হায়না লৌবা য়াই। আই ও সিনা পীবা গাইদ লাইনগী মতুংইন্নদি কম্মর্সিয়েল ইস্টাব্লিসমেন্টশিংদা শীজিন্নবা তারগদি হেন্না লুম্বা মখলগী কম্মর্সিয়েল গ্যাস কনেক্সনশিং অদু ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়রি। কম্মর্সিয়েল ওইবা মফমশিংদা দোমেষ্ট্রিক এল পি জি সিলিন্দরশিং শীজিন্নবা য়াদে হায়বগী অথিংবা অমসু লৈরি। মসিমক্তদা ষ্টেট অসিদদি লৈরিবা হোটেল অমসুং অতৈ কম্মর্সিয়েল ওইবা মওংদা গ্যাস শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা অথিংবা লৈতনা দোমেষ্টিক কনেক্সনগীদমক্তা পীরিবা সিলিন্দরশিং অসি শীজিন্নবা মীয়াম্না অদুমক উরি। নাকল অমরোমদনা মরক মরক্তা কঞ্জুমরশিংনা গ্যাস থুংদবগী অৱাবা কয়া অদুমক মায়োক্লরি। মসিগী মতাংদা মণিপুর সরকারগী ওথোরিটিশিংনা নৎত্রগা আই ও সিগী লৈরিবা ওফিসতগী কয়ামুক য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিল্লিবগে হায়বসে অচৌবা ৱাহং অমা ওইনা ঙসিসু লৈরি। হৌজিক য়াম্না মরুওইরক্লিবা অসি মণিপুরদা লৈরিবা এল পি জি এজেন্সিশিং অসিনা কঞ্জুমর মশিং কয়া য়াম্না কনেক্সন পীরিবগে হায়বদি কঞ্জুমর মশিং কয়ানো অমসুং এজেন্সিশিংগী ওইনা নোংমদা চিংশিল্লক্লিবা এল পি জি সিলিন্দর মশিংনা কয়ানো হায়বা অসিনি। মসিদি আই ও সিনা নো ইয়োর কঞ্জুমর হায়বা থৌরাং অমা লৌখত্তুনা লান্না এল পি জি শীজিন্নরিবশিং থিদোক্লবা লৌখৎখিবা অদুগী মখা তারকপদা চপ চাবা কঞ্জুমরশিং অদুমদি খঙলম্লগনি হায়না লৌই। করিসু নত্তবদা হঞ্জিন-হঞ্জিন কঞ্জুমরশিংদা চে-চাং পুথোকহন্দুনা অমসুং এফিদেবিদনচিংবা লৌহন্দুনা আইদেন্টিফিকেসন তৌখ্রবা মতুং ফাওবদা চাং নাইনা অমসুং গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না গ্যাস বুক্কিং তৌবা অমদি পীবগী থবক অসি চাং নাইহনবা ঙমদ্রিবনো হায়বা ৱাহং অমুক লাক্লি। কঞ্জুমরশিংদা দোমেষ্টিক এল পি জি সিলিন্দরশিং ফংহনবদনা অকক্লবা মতম পীবা অমসুং চহি অমগী মনুংদা অথনবা সিলিন্দর য়াল্লবদা ৪ দগী হেন্না পীদবগী মওং অমদা লৈরি। মসিদি গ্যাস বুক্কিং তৌরিবা কার্ডশিং অদুদগী ইরাই লাইনা কঞ্জুমর খুদিংমক্না খঙবা ঙমগনি। মসিনা তাকপদি গ্যাস এজেন্সিশিংনা কঞ্জুমরশিংদা য়াম্না তোয়না মীনম্বগী থবক অমা চত্থরি হায়বসিনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা য়েংশিনফম থোকই। মণিপুরদদি গ্যাস অসি শীজিন্নবদা খ্বায়দগী হেন্না লিক্না শীজিন্নবা ষ্টেট অমা ওইগনি হায়না খল্লি। মরমদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা সবসিদাইজ তৌরবা দোমেষ্ট্রিক এল পি জি সিলিন্দরশিং শীজিন্নবগী চাংদগী হেন্দোকখিদুনা নন সবসিদাইজ রেটতা ফাওবা লৈদুনা শীজিন্নরি। কঞ্জুমর অমদা চহি অমগী মনুংদা শীজিন্নবা য়াবা দোমেষ্টিক এল পি জি মশিং অসি হান্না ৬ তা লৈরম্বদগী ৯ ফাওবা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না খঙহনবা লৈখ্রে। মদুদগী হেনবা সিলিন্দর শীজিন্নবা তারগদি নন সবসিদাইজ রেটতা অহেনবা মমলদা লৈগদবনি হায়না আই ও সিনা খঙহল্লি। অদুবু মণিপুরগী কঞ্জুমরশিংদি হান্না লেপখিবা চহিদা সিলিন্দর ৬ কী চাং অদু ফাওবা য়ৌনা বুক্কিং স্লিপশিংদা চল্লমগনি হায়বা থাজদে। মরমসিদগী দোমেষ্টিক এল পি জি সিলিন্দরশিং অসি ব্লেকতা য়াম্না তোয়না ফংবদগী মমল খরা হেনগৎলগা কম্মর্সিয়েল ওইনা শীজিন্ননবগীদমক ফংহল্লকপনি হায়না লৌবা তাই। মসিদা অথিংবা থম্ননবা মরী লৈনবা কষ্টমর কেয়ার সেন্তরনচিংবনা থৌরাং অমা লৌখৎলগা চপ চানা য়েংশিন্দুনা বুক্কিং তৌরিবা অমদি পীরিবগী নিয়ম অসি শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈরে। হীরমসিদা হেন্না মীৎয়েং চংবগী মথৌ তাই হায়বসি আই ও সি নচিংবগী ওথোরিটিশিং অমদি কঞ্জুমর এফিয়ারগা মরী লৈনবা ওফিসশিংনা য়েংশিনবগী মথৌ তাই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# থিংবা ঙম্লরোইদ্রা

***ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,***

হৌজিক হৌজিক মীয়াম্না তোইনা তান্নরিবা পাউশিংগী মনুংদা শেল পায়বা মীওইশিংগী য়ুমদা নৎত্রগা থোঙ্গালদা বোম থমজিনবা অমদি পোকখাইহনবনচিংবগী থৌদোকশিং থোকপা অসিসু অমা ওইদুনা লৈরি। মসিদা বোম থল্লম্বা নৎত্রগা পোকখাইহনবা হায়বসিগা মরী লৈননা নুশা থিরিবা অমসুং মীপাইবা পোক্লরিবা অসিদি মীচম ঙাক্তনি। করিগুম্বা বোম পোকখাইবনচিংবা থোক্লগনা মদুদা অশোক অপন মীশি মীনা নংলিবশিং অদুসু মরী ইরৈ লৈনদবা মীচমশিংনি। মসিদা লো এমফোর্সশিং এজেন্সিশিংগী মায়কৈদগী করিগুম্বা মওং অমত্তা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থিংবা ঙমদনা ঙসিসু লৈরি। মসিদগী অমম অথেংদা মীয়াম চত্থোক চৎশিন তৌবা ফাওবা কিনবনা মরম ওইরগা নুমিৎ তাখ্রবা মতুং মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা লল্লোন ইতিক্কী মফম খুদিংমক থোঙ লোন্নরিবনি। মসিনা চাওখৎপা খুনাই অমগী মশক অদু ষ্টেটসিদা লৈতে হায়বসি খঙবা ঙম্মী। মসিবু থিংনবা লৈরিবা এজেন্সিশিংনা শুকথিং থিংবা ঙম্লরোইদ্রা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না ঙসিদি হংনরিবা অমসুং ঙাংনরিবা ৱাফম অমা ওইরবনি। অনৌবা চহি অসিনা লাক্লবা ফাওবদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থিংবা ঙম্নবা হোৎনদ্রগদি লাক্লিবা চহি অসিদসু থোইদোক্না মীয়াম্না য়াইফবা হায়বদু ওইগনি হায়বা খন্নদ্রে অদুনা থৌওং অসি থিংবা ঙম্নবা থৌরাং পায়খৎপিয়ু হায়না মরী লৈনবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি।

*অদোমগী,*

**বিপিল ক্ষেত্রি,** কক্ৱা

# ইমুং খুদিংদা অঙাংশিংবু পূন্সিনবা তম্বীবা চংই

খৃষ্ট চহীরোলগী অনৌবা চহি ২০১৪ না খোঙদাবিরকপা অসিদা, পাঙজদ্রবা কলল্লিষ্ট, ৱাই চীঙ্খৈ ঙানবা লুৱাংনা তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা, মালেম মীওইবা খুনাই পূম্নমক্কী মফমদা ইকাইখুম্নজবা উচ্চরি। অনৌবা চহী ২০১৪ ইমাদা, তাইবংপান অসিদা লৈমিন্নরিবা, তাইবং থৱায় পানবা মপোক পূম্নমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নবা হিংমিন্ননবা, খাইবুংনবা ৱাখলনা য়েংথী-তাথিনরম্বা পূম্নমক তাইশিনবা ঙম্বগী থৌনা হাপ্পীরক্লবা, তেংবানবা মপুগী ঙাংলৌ খাদসু পুনেমজরি। হৌখিবা চহী ২০১৩ ইমাসু, মচা ওইবা মালেম খুনাই, মরুওইনা মীওইবা মপোক অসিনা, নত্ত-ওইদবা ঈরৈদা চোংশিনবা তান্নখিবা, অশি-লাইনা পুময়োৎ য়োৎশিল্লকপা, মসিদগী কন্ননবা পাঙ্গলদি লৈজদা, কনদি-কন্নিং ফ্রিং-ফ্রিং চোংনা, মিৎলু পিরাং পিরোইনা হীক্ল-হীক্লা কপ্পুনা হনবিখিবসিদা, নচা অইবসু মিৎলু পিরাং শিঙ্খুনা কায়না য়াথং লৌজরি। মতম্না লাক্লবদি অমুক্তংগা হনবিরক্তুনা নচা মালেম তাইবংশিংবু নাউকোনবিরমখোকো পলেম !

২০১৪ অনৌবা চহী অসিগী, অইবগী ইহান-হানবা খুদোলদা, লিংজেল মান্নবা অমত্তা ওইবা খুনাই অমা শাগৎপদা, নাউৱাগী মতমদগী শাগৎপা হৌরক্তুনা, মায় পাক্লোই হায়বা হীরমদা খোরী লাঙজরি। অনৌবা চহীগী কলম পাবিরিবা পাবিরিবীশিংগী মফমদসু নোল্লুকচবগা লোয়ননা খুদোল তমজরি। হেপ্পী ন্যু ইয়ার টু ওল রিডর্স।

হৌখিবা চহিশিংদা লান-লক্কী পুন্সি মরেন অমা ওইনা লেনমিন্নরক্লি ঐখোয় পূম্নমক। মিপাই-থবাইদুনা চনিঙ তানা মিকুপ অমফাওবা লৈবা ফংলক্ত্রুবা ঐখোয় পূম্নমক্না, ইঙনা তপ্পা হিংমিন্ননবা লম্বী থিবদি তঙাই ফদবা অমা ওইরব্রা খল্লি। পুন্সিবু চরাঙনহনবগী মরমদি য়ামখরে, খঙজদ্রিবা অইবনা। নৈনবদি ইতিক নত্তে, অদুমকপু পো কাঙবা হৌবা ওইনা 'অপূনবা শক্তম' (ইন্টিগ্রিটি) দা য়ুমফম ওইবা খুদোল মচা অমা তমজরি। মপুম ওইবদি লৈবাক্কী অখঙ-অহৈশিংদা শিন্নজরি।ঙসিগী মতম অসিদা, চীংঙলৈপাক মচা 'মীত্রৈবাক' ঙসি মণিপুর হায়না খঙনহনখ্রবা ভারত কংলৈ ষ্টেট অসিদা অপূনবগী শক্তম (ইন্টিগ্রিটি) থম্বা ঙম্লক্ত্রবা, কংলৈ মীয়াম অমনা, তৌহৈদবা-তৌরোইদবা ঙাক্তা তৌনদুনা হিংবগী মমি শামহল্লক্লি। পিরাং পিরোইননা হনখ্রবী পলেম '২০১৩' চহীনা, মপারী মমোমশিংবু নাউকোঞ্জবদা, নোংমতসু হরাউ-মিনোক তমজবা ফংজখিদ্রবনি। কংলৈ মপারী মমোম ঐখোয়না ইমাগী য়াৱা তারুবা তৌদনা নত্ত-ওইদবা ঙাক্তা তৌনদুনা লৈবাক কাং-খোং চাইখি। মীহাৎ মীপুন, মী ফারগা মীফামন লৌবা, পোৎলাক, পোৎমুনবা, শেনখায়,নোংমৈ-বোম মরক্তা কংলৈ মীয়াম মৈথক্কী লৈপ্লে মতৌগুমখি। নিং-তম ইহৌ-লান, শেঙ্গা-থুমজাগী লান, নুপী-অঙাং তুহৎ-নৈহৎপীবগী তুক্কচরবা ৱাথোক, ৱাথোকতনা পাথোক্লবা কংলৈ ওইরি। ফিভম কয়া অসি লাকহন্নবা মরম ময়াম অমা লৈতবা নত্তে, অদুম্মকপু মরুওইবা মরম অমদি কংলৈ ইমুংসিগী ইচিল-ইনাও অমদি ইচিল-ইপ্পৌৱা মরক্তা, অমগা অমগা খাইবুংনরক্তুনা য়েংথী-তাথিনবাা লাকপা, অপূনবগী লীপুন ফোয়দৎনবদগী লাকপনি হায়নিংঙি। পূমনমক অমত্তা ওইবা নুংশি লীপুন্না পুন্দুনা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরল্লবদি লৈবাক কাং-খোং চাইরল্লোই, চহী ২০১৩ ইমাসু মিৎলু পিরাং শিল্লল্লোইদবনি।

> **খন্নসি-নৈনসি-২৮৭**
>
> **ৱাই চীঙ্খৈ ঙানবা লুৱাং**

ফরে হৌখিবদি হৌখ্রসনু, হৌখিবা ওইহন্নিংদবা থৌদোকশিংনা খুদম ওইরগা, চোইজাইনরুরবা কংলৈ মীয়াম অমত্তা ওইনা পূন্সিন্দুনা অপূনবা শক্তম শাগৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নিংঙি। অপূনবা অমত্তা ওইবা অচেৎপা শক্তম অমা শাগৎপা অরাইবা অমদি ওইররোই, মরমদি নৌনা শাগৎপা নত্তনা, মমাংদা শিংগুপ শানা থুগাইখ্রবা অমবু, অমুক, হন্না তাইশিন্নবা লাইনা লৌবা য়ারোই। মিৎয়েং অসিদা য়েংলগা, ঐখোয়না নৌরিবা নাউৱা মতম ওইরিবশিংদগী হৌনা শেমগৎপা চঙঙী। ইমুং খুদিংদা, নৌরিবা নৌরিবী নাউৱাশিংদগী হৌনা মখোঙ শোম্বা তাই। ইমুং অমগী মমা-মপা ওইবা পূম্নমক্না, ঐগী-মাগী খাইদনা পূম্নমক মচা ওইনা লৌবা চঙঙী। মতম পূম্নমক্তা অমগা অমগা নুংশি-চান্ননা লোয়নহন্নবা থৌরাং তৌবা তাই। অমগা অমগা থাদোক্লবা ঙমদবগী হৈনবী লৈহন্নবা হোৎনগনি। মতৌ অসুম্না কৈরোই-লৈকায়-খুঙ্গং-ময়োললম অমদি লৈবাক অসিগী ইমুং পূম্বগী নাউৱা অঙাং পূম্নমক অমত্তা ওইনা পূন্না চামিন্ননিংবা, শান্নমিন্ননিংবা, লৈমিন্ননিংবা, পূন্না লৈমিন্নরগা হরাউবা-নুংঙাইৱগী হৈনবী লৈহন্নবা হোৎনবা তাই। নৌজরিবশিং অসিনা মশাগী ফিরেপ লৌবা ঙমদ্রিঙৈদগী হৌনা অপুনবগী হৈনবী লৈহন্নবা মমা-মপা ওইবা পূম্নমক্না তৌফম থোকই।

ঙসিগী মতমদা য়াম্না য়াঙনা চৎনরিবা, চৎনবী অমা ওইখ্রবা ঙসিগী খুনাইরোল, মমা-মপা ওইবশিংনা শেমদোকপা য়াম্নমক তঙাইফদে। পন্নিংদা পন্নিংদা, পন্দবদি য়াদবা মতাং লাক্লি, মসিদা কনাবুসু হকথেংননা পঞ্জনবা ইতিক নচচদে, পঞ্জরিবসি কনাগুম্বা য়াওরন্নগসু মচা ওইবশিংগী হেন্না য়াইফবা পুরক্লবা হন্দোকচহনবা পামজবা অদুনি। মমা-মপাগী অপাম্বদি, মচাশিংবু অফবা-মিংচৎ উরোং খিনবা, মীকোক ওইবা অদুনি। অপাম্বদুমক ওইহনবা পামজবনা পঞ্জবতনি। থেংনবা লৈ, ইমুং অমদা পীবা অমদগী হেনবা, য়াম্না লৈবা কয়া অমনি। পীবা মশিংগী মতুংইন্না মৌসু লৈরিবনি। নুপী খুদিং মমানি, নুপা খুদিংসু মপানি, অদুবু মচা লৈতবা নুপা-নুপীসু লৈতবদি নত্তে। মচা লৈরবী মমা অমদি মপা ওইরবশিংগী মনুংদা, মচাদবু মচা ওইনা লৌনবগুম তৌনরি। মমা-মপা ওইবা পূম্নমক্না অতোপ্পগী মচাসু মচানি খনবা ঙম্বা অশেংবা মীরমচৎনি, মীরমচৎ ঙাক্লা -খঙনা চৎননবা 'লীচৎ' (মোরেলিটি) হায়বা অমা লাইপোক অহল ইবুঙোশিংনা শেমদুনা থম্বিরম্মী। মসি ঙাক্লা চৎলবদদা, মীওইবা মপোক্লা য়াইফবা অথোইবা মপোক ওইরিবনি।

ঙসিগী মতম অসিদদি, মীওইবা মপোক অসি খ্বায়দগী কিনিঙাই ওইবা মপোক অমগুম লৌনরক্লি। মচিল মনাউ য়াম্বা ইমুং অমগী মমা-মপা ওইবশিংনা, ইমুংদুগী মচিল-মনাউগী মচা পূম্নমকপু মচা ওইনা লৌনদবা, মশামক্কী মচা অদুখক্তা মচানি খনবা থেংনদবা নত্তে। মতম পূম্নমক্তা মচা অশেংবশিং অদুতা ফহনবা পাম্বা, মচিল-মনাওগী মচাশিংদগী তোখাইহনবা পাম্বা

(লীচৎকী মিয়েংদা)

মশিংনা হেনগৎনরকপগুম তৌরি। মা-মাগী কা মনুংদা মচা-মচাবু তোঙান্না লৈহনবা, পীজ-পীথকপদা পূন্না চামিন্নহনবগী হৈনবী লৈহন্নবা হোৎনদবা ঙাকতা ঙাইরকপগুম থেংনরি। মসিনা মরম ওইদুনা, নাউৱাশিংনা মশাগী ফিরেপ লেপ্পা ঙম্লকপা মতমদা, ময়াম পূন্না চামিন্নবা অমদি লৈমিন্নবগী হৈনবী লৈরকখিদে। মরোমদোম নাইতোম তারগা নুংঙাইজবা, পূম্নমক্তগী অহেনবা ওইনিংবা, ঐ হায়বা নাপল কাবা পাম্নবা পোকহল্লি। হৈনবী অসিদা হৌরক্লবা হৌরক্লবীশিংনা অমত্তা ওইবা, অপূনবা শক্তম শাগৎপা ঙমদে। অতোপ্পগী মতেং য়াওদনা ইদোম হিংবা ঙম্বা মপোক নত্তবনা, নাইতোম লেপ্পগদি মীখা থাবদি ময়েক্লি। ঙসি কংলৈ অসিদা অপূনবা হায়বদু মাঙখিবনা, কংলৈ মীয়াম মীখা পোন্না হিংলি, মীপোৎ তাংলি, চাক্লি-ফিনিবা পুন্সি ওইহল্লি। ১৮৯১ গী লানদা মায়থীখিবা, বৃটিসকী মখা পোনখিবা, কংলৈ অসিনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নংদা চন্দ্রিঙৈ, নিংতম্না নিংথৌ লৈঙাক মখাদা হাইনা-হুম্না পাল্লিঙৈগী মীত্রৈবাক্কী মীয়াম্না লিংজেল মান্নবা অমত্তা ওইনা লেপখিদবদগী ফংখিবনি। চহি ৭ খুন্তাকপা থোকখিবসু, লৈবাক নিংথৌ মচিল মনাউ পুকচেল তিন্নদবদগী অৱানা খুদোংচাবা লৌখিবনি। ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা নমতিন তিনহনখিবসু লৈঙাকপশিং খাইবুংনদুনা মুক্লখিবগী তেকচাক্লি। পূম্নমক পুৱারিনা খুদম ওইনা লেপ্লি।পূম্নমক অসি অমুক লাক্তনবা, লৈবাক্কী অমত্তা ওইবা অপূনবা শক্তম নৌনা শাগৎপা য়াম্না তঙাইফদবা ওইরি। হৌজিক কংলৈসিগী অপুনবা অচেৎপা শক্তম শাগৎনবা, ইচা-মীচা থিদনা পূম্নমক ইচানি খন্না, মচা ওইবা পূম্নমক, পূন্না চামিন্নবগী, লৈমিন্নবগী, শুমিন্নবগী হৈনবী লৈহন্নবা, মমা -মপা ওইরিবা পূম্নমক্না পুক্লিং শেংনা হোৎনমিন্নবগী থৌদাং লৌমিন্নবা চুম্মগদ্রা খল্লি। মমা-মপা ওইবনা চুমথোক্তনা, মীরোল অসিনা অপূনবা শক্তম শাগৎপা মপুং ফাবা ঙম্লোইদ্রা খল্লি। অপূনবনা মীখা পোনববু থিংবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে হায়জনিংঙি। খুৎশম্নরসি মমা-মপা ওইবশিং! শাগৎলসি অপুনবা খুনাই শক্তম!

# মণিপুরীদা লোনয়ান-ৱাহৈশিং শীজিন্নবদা মীৎয়েং অমা

হৌজিক মালেম লৈমায়থক্তা লৈরিবা মীওইবগী ফরুপশিং অসিনা তোঙান-তোঙানবা লোন লীশিং তরুক চমাপলগী মথক্তা ঙাঙন-শক্নরি হায়না লোন-নৈনরোইশিংনা পানরি। ভারতখক্তদা লোন ৩,৩৭২ দগী তাদনা ঙাঙন-শক্নরি। লৈবাক অসিদা ঙাঙনরিবা লোনশিং অসি কাঙলুপ মঙাগী মনুংদা লোয়না চনবা ঙাক্তনি। কাঙলুপ মঙা অদুদি : ১) ইন্দো-আরিয়ান, ২) দ্রাবিদ্যান, ৩) এষ্ট্রো-এসিয়াটিক, ৪) তিবেতো-বর্মন অমদি গ্রেৎ অণ্ডমানিজ অসিনি। অরোইবদা পঞ্জরিবা কাঙলুপ অসিগী মনুংচন্না মণিপুরী লোনসু লৈ। হৌজক ফাওবগী ওইনদি লৈবাকসিদা ঙাঙনরিবা তিবেতো-বর্মন কাঙলুপকী লোনশিংগী মরক্তগী মণিপুরীনা খ্বাইদগী থাক-ৱাংনা লৈরি। মণিপুরগী চীংগী মফম খরদা মণিপুরীবু শীজিন্নদবা মীওই খরা খরা লৈজরবসু চীংমী অয়াম্বনা ফওনলোন ওইনা শীজিন্নরি। তম্পাক্তা লৈবা ফুরুপ পূম্নমক্কী মীওই খুদিংমক্তা ঙাঙন-শক্নরি। লোন অসি মণিপুরগী ৱাংমদা, ভারতকী মনুং অমসুং মপান্দা - নাগালেণ্ড, ত্রিপুরা, অসাম, ম্যানমার, বঙ্গলাদেশনচিংবদা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা মণিপুরদগী হৌখিবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী চারোল-শুরোলগী মীওইশিংনা ঙাঙন-শক্নদুনা লাক্লি। অসিনা হায়রিবদি, মণিপুরী অসি মালেমগী থাক্তা ঙাঙন-শক্নরিবা লোন অমা ওইরি। অসিগুমবা লোন অসিবু ইন্দেঞ্জর ওইরে হায়না ইং কুমজা ২০১১ গী য়ুনেস্কো (UNESCO) গী ইন্দেঞ্জর লেঙ্গুৱেজ মেপ্তা য়াওরকখিবগী পাউ মীয়াম্না খঙনখ্রবনি।

লমদমসিগী মণিপুরী লোন অমদি নাৎপু থম্মোয় থুম্না নুংশিজবা মীওইশিংগী পূক্নিং-ৱাখলদা তশেংনমক লোন অসি মমি শামখিগদরা হায়না নুংনাংবা অমদি মিপাইবা পোক্নরবনি। খুন্নাইসিগী হৌরক্লিবা ঙসিগী অঙাংশিং অমদি নহারোলশিং অয়াম্বনা মণিপুরী খঙবা ৱাৎশিল্লকপা লোয়ননা মমালোনবু থওইনরক্তবা মওং অমদি উরি। মসি খন্থরুবদা অৱাবগী মশক্লি। ফিভম অসি লোন অসিগী মপু ওইরিবা মীওই ফুরুপ অসিনা অদুম্মক থোকহঞ্জবনি। থোকহন্দবা ফৈ। মসিগী ফিভম অসিদগী লোনয়ান্দা মীৎয়েংফম ওইরকই।

লোন অমদা অতোপ্পা লোন্দগী লৌশিন্দুনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অদুবু লোনয়ান হায়না ঐখোয়না খঙনরি। লোনয়ান ৱাহৈশিং অসি হৌরকফম লোন (Source Language) দা লৈরম্বা খোন্থোক অমদি ৱাহন্থোক তূনা লৌদুনা শীজিন্নবা ওইবা য়াই, অনৌবা লোন (Terget Language) অদুগী খোন্থোক চঙনা হায়দোকপা ৱাহৈ অদুগী নুংগী ৱা অদু অনৌবা লোন্দা শেম-শাদুনা ৱাহন্থোক্তমক লৌশিনবা ওইবসু য়াই। খুদমদি-

১। দক্ষিনা, অমৃত, কন্যা, গুণ, গৌড়িয়া, দান, দণ্ডি, ধর্ম্ম, কর্ম্ম, পৈশা, পাকা, পাপ, ব্রক্ষণ, বৈষ্ণবনচিংবা অসি সংস্কৃত লোন্দগী মণিপুরীদা লৌশিল্লগা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিংনি। মহায়দোক অমদি ৱাহন্দোক অনিমক লৌশিনবনি। মখোয় অসিবু তশেংনা পূদুনা শীজিন্নবা ৱাহৈশিং হায়বদি Loan Words কৌই।

২। হৱাগাড়ী খ্বাইরম্বন্দ বজার, পান দুকান, ইমা মার্কেৎ, প্লাষ্টিক খাউ, চেং-বেগ, খোঙউপ মোজা, মোজা ফুরিৎ অসিনচিংবা অসিবু Hybrid Loan Words হায়না খঙনৈ।

৩। সেন্মিৎলোন (Economics), মীথুংলেন (Chief Guest) ইকায়খুম্নজরিবা মীথুং (Guest of Honour) অসিনচিংবা অসিবু Samantic Loans/Laon Translations কৌই।

> **অঙোম সুরজিৎ মৈতৈ**

মতাং অসিদা নীংশিংবা য়াবদি মালেম পূম্বগী লোন ফাওনলোন ওইরিবা ইংলিস (English) অসিদা অতোপ্পা লোনশিংদগী লৌশিন্দুনা শীজিন্নরিবা লোনয়ান ৱাহৈশিং অসি লোন অসিগী লৈজরিবা লোনগৈগী চাদ ৮০ গী চাংনি, চাদ ২০ গী চাংখক্তা অশেংবা ইংলিসকী ৱাহৈশিংনি হায়না লোন নৈনরোইশিংনা হায়রি।

***খুদম খজিক্তং লৌখৎলগা য়েংমিন্নসিং***

১। ভাইকিংশিংনা ইংলেণ্ডদা লাক্লগা খুন্দা লৈতাখিবা মতমদা মখোয়গী মরোল অরিবা নোর্স (Old Norse) হায়বদুদগী ৱাহৈ ফনা য়াম্না ইংলিসতা তিনশিনখি। খরদং পল্লবদা Anger, bag, birth, both, cake, call, club, die, egg, fellow, gaz, get, hit, husband, kid, knife, law, leg, lift, loose, meek, raise, root, same, scalf, scare, seem, skirt, sky, take, they, trust, ugly, want, window, wrong, wise অসিনচিংবা অসি য়েংবা য়াই।

২। ইংলিসকী লোনগৈদা লৈরিবা ৱাহৈশিং অসিগী শরুক তঙ্খায় অমরোমদি Norman French তগনি। খুদম ওইবা ৱাহৈশিংদি- assault, bacon, bail, beef, butcher, button, comfort, court, courtesy curfew, crime, custom, defeat, eagle, enemy, dungeon, elope, evidence, error, fashion, felony, gallon, grammar, grief, grocer, honour, injury, joy, judge, jury, justice, leisure, liberty, lease, leaver, majesty, marriage, matrimony, mutton, noble, noun, nurse, occupy, parliament, pleasure, pocket, push, pork, prison, quarter, question, quiet, rape, reason, recover, remedy, rent, repeal, reward, river, royal, salary, salmon, tax, toil, treason, uncle, usher, valley, vice, virgin, vulture অসিনচিংবা য়েংবা য়াই।

৩। Latin ৱাহৈশিংসু Crishtain monks অমদি সাইনটিষ্টশিংনা লোন অসিদা পুশিল্লক্তুনা শিজিন্নখি। ৱাহৈ খরদং খুদম ওইনা - abdomen, actor, agriculture, December, demonstrator, dictator, dilemma, diploma, doctor, drama, duplex, duplicate, echo, ego, educator, editor, elevator, emphasis, exit, axtra, extreme, factor, fabour, focus, formula, fungus, genius, gladiator, honour, horizon, horror, humor, icon, idea, illustrator, index, inertia, inferior, insomnia, instructor, investigate, labor, junior, legislate, liberate, major, minor, maximum, minimum, medium, minister, minus, moderator, monitor, motor, museum, narrator, nausea, neuter, masculine, faminine, object, opera, orator, peninsula, person, petroleum, platinum, poccess, prospect, quantum, quota, radius, ratio, saliva, senator, senior, junior, skile, sinus, stadium, status, superior, terror, thesis, translate, trio, tumor, tutor, vacuum, vapor, vertigo, veto, vice, versa, vigor, virus অসিনচিংবা অসি য়েংবা য়াই।

৪। Greek কী ৱাহৈশিং ideas, medicine, drama অমদি government কা মরী লৈনবা ফোঙদোকপদা য়াম্না ফজনা শীজিন্নরি। খুদম - Atlast, Bible, barbaric, biology, captain, cardiac, catalyst, catastrophy, category, catholic, cell, cemetry, center, chaos, character, charisma, chronic, classic, climate, code, comma, cost, comedy, criticism, cycle, democray, demon, dialog, diagnosis, diagram, cereal, cloth, hypnosis, panic, academic, acrobat, agony, air, allergy, alphabet, amnesia, amphibian, anatomy, apology, economy, elastic, electricity, energy, epidemic, ether, fable, genealogy, geography, government, grammar, graph, gymnastic, harmony, helium, hero, history, homonym, horizon, hygiene, idea, irony, lesbian, mania, mathematics, mechanics, melody, metaphor, method, microbe, microscope, monogamy, monopoly, music, mystery, narcotic, neurotic, nostalgia, nymph, ocean, odyssey, octopus, orchestra, organ, organisation, orphan, palm, panacea, panic, paradise, paragraph, parallel, paralysis, parasite, patriot, pentagon, period, pharmacy, philanthropy, phobia, photo, photosynthesis, phrase, physics, planet, pneumonia, political, practice, problem, program, prophet, psalm, pseudonym, psychiatry, psychology, rhyme, sarcastic, scene, school, serial, sperm, sphere, star, statistic, stigma, stomach, syllable, symbol, sympethatic, synonym, system, talent, technical, telegram, telephone, theater, toxic, tropical, tyranny অসিনচিংবা অসিনি।

৫। Spanish কী ৱাহৈশিং ইংলিসতা শীজিন্নরি খুদমদি - alligator, chili, chocolate, cigar, cocroach, comerade, guarrilla, hurricane, iguanna, maize, marijuana, mosquito, negro, papaya, plaza, potato, stampede, tobacco, tango, tomato, tornado, tuna, vanilla অসিনচিংবনি।

৬। Arabic কী ৱাহৈশিং ইংলিসতা য়াওরি। খুদমদি - Admiral, albatross, alcohol, alkaline, almanac, amber, borax, caliber, candy, cotton, giraffe, hazard, jar, lemon, lime, magazine, mattress, monsoon, mummy, muslin, orange, racket, safari, soda, sofa, sugar, talc অসিনচিংবনি।

৭। Russian ৱাহৈশিং - Cosmonaut, intelligentia, mammoth, ruble নচিংবসি ইংলিসতা শীজিন্নৈ।

৮। German ৱাহৈশিং - aspirin, blitz, concert, diesel, Doberman, fest, Kindergarten, quarty অসিনচিংবশিং শীজিন্নৈ।

৯। Chinese ৱাহৈশিং - chop, chow, ginseng, kanji, kungfu, silk, tea, tycoon, typhoon নচিংবসি শীজিন্নরি।

১০। Japanese ৱাহৈশিং - Bonsai, haiku, origami, sudoku, tsunami অসিনচিংবা শীজিন্নরি।

১১। Italian ৱাহৈশিং - Artisan, balcony, bronze, carpet, dome, gallery, graffiti, indigo, mask, model, medal, mossaic, replica, saloon, studio, villa, virtue, broccoli, cauliflower, coffee, macaroni, pizza, novel, pilot, pistol, brilliant, buffalo, bulletin, common, cash, casino, monster, pants debt, disaster, jeans, propaganda, granite, influenza, piano, xonnet, stanza, solo, umbrella অসিনচিংবা অসি শীজিন্নরি। ***মথং মথং...***

*কর্সি ঃ সুভনিয়র, ২২শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ২০১৩*